# ভিলেজ অমদা এটেক তৌদুনা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখিবা খুৎলাই পায়বশিং হাৎখ্রে




অদিস, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
ইথিওপিয়াগী গ্রুপশিংনা লৈবাক অসিগী নোংচুপথংবা বেনিসাঙ্গুল-গুমুজ লমদমদা মখল মখা কয়াগী খূৎলাই পায়বা মীওইশিংগা কন্না খূৎ থোক্লখিবগা লোয়নননা ফেদরেল গ্রুপশিংনা খুৎলাই পায়বা মীওই ৪২ হাৎখ্রে অমসুং লিরুং, তেঞ্জে অমসুং অতৈ খুৎলাই কয়া ফারে হায়না ষ্টেটনা চলাইবা ফানা টি ভিগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সুদানগা লোন্নরিবা লমদম অদুগী ভিলেজ অমদা মশক খঙদবা গনমেনশিংনা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখ্রবা মতুং মথংগী নুমিত্তা লমদম অদুগী সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগাৎহন্নবা অহেনবা লান্মীশিং থাজিনখ্রে হায়না ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা ফোঙদোকখিবনি।

অবিনা কুমজা ২০১৮ দা ইথিওপিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইখিবদগী লৈবাক অসিদা দেমোক্রেটিক রিফোর্মশিং পুরকখিবগা লোয়নননা রিজনেলগী ওইবা মুক্নবা কয়া লাকশিনবা লেপ্পদগী মফম কয়াদা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখি হায়রি।

বেনিসাঙ্গুল-গুমুজ রিজনদা মীচম কয়া পাক্তক্ননা হাৎখিবসি থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা থৌদোক্লি। প্রোব্লেম অদুগী মরু ওইবা হৌরকফমশিং লৈখাই তানবা গভর্ণমেন্টনা মথৌ তাবা ফোর্স দিপ্লোই তৌরে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অবিনা ত্বিটরদা ইখি।

ফানা সিটিগী রিপোর্টতা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনরিবশিংগী মায়োক্তা লৈবা মীওই ৪২ মিলিটরিনা হাৎখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। রিপোর্ট অদুদা কদাইদা খুৎ থোক্লখিবগে হায়বা পন্দবগা লোয়নননা খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুগী মশকসু তাকখিদে। রিপোর্ট অদুনা রিজনেল ওফিসলশিং পল্লদুনা বুলেন কাউন্টিদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা চথখিবা এটেক অদুদা খুৎলাই পায়বা গ্রুপ চেন্নৈ হায়না ফোঙদোকখি।

বেকোজি ভিলেজদা নোংঙাল্লমদাইদা চথখিবা এটেক অদুদা মীওই ১০০ হেন্না হাৎখি হায়না ষ্টেটনা চলাইবা ইথিওপিয়ন হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না ফোঙদোকখি। কম্মিসনগী মতুং ইন্না খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুনা য়ুম কয়া মৈ থাখি অমসুং তুমদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা নোংমৈনা কাপখি। মীওই কয়াগী অশিবা হকচাংশিং উবা ফঙখি হায়না মফম অদুগী মীওইশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি। নোংমৈ অমসুং থাঙনা শোকহল্লবা মীওই কয়া ট্রিটমেন্ট পীখি হায়না মেদিকশিংনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবদা ভিলেজ অদুগা নক্লনা পুলিস নত্রগা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং দিপ্লোই তৌরমদে হায়বসি খঙবা ঙমখি। বিনিসাঙ্গুল-গুমুজ গী সিক্যুরিটিগী ৱাফমশিংগা মরী লৈননা ফেদরেল গভর্ণমেন্টগী ষ্টেট মিনিষ্টর অমা য়াওনা সিনিয়র ওফিসল মঙা ফারে হায়না ষ্টেটনা চলাইবা ইথিওপিয়ন ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ইথিওপিয়াগী মিলিটরিনা অৱাং থাবা টিগ্রে রিজনদা চয়োল তরুক হেন্না রেবেলশিংগা লাল শোক্নদুনা লাকখি। কনফ্লিক্ট অদুনা লমদম অদুগী মীওই ৯৫০,০০০ হেন্না ময়ুম মকৈ থাদোকহনখ্রবনি। মফম অদুদা ফেদরেল গ্রুপশিং দিপ্লোই তৌখিবদগী অতৈ ঈৱাং কনবা লমদমশিংদা সিক্যুরিটিগী অহোবা লৈরকপা য়াই হায়না কিনরকখিবনি।

# ইন্দিয়াগা ৱারী শান্নবা য়াবগী ফীভম লৈতেঃ পাক



ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা লৈরিবা ফীভম হেন্না লুশিল্লক্লিঙৈ মতম অসিদা লৈবাক অনী ৱারী শান্নবগী ৱাফম লৈতে হায়না পাকিস্থানগী ফোরেন মিনিষ্টর সাহ মাহমুদ কুরেসিনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা লোন্না থুপ্না নত্রগা দিপ্লোমেটিক দাইলোগ চথবা য়াবগী ফীভমসু লৈতে হায়নসু কুরেসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কাশ্মীরদা ওৎ-নৈবগী থৌওংশিং লেপত্রিফাওবা ৱারী শান্নবা য়ারোই। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি মখল অমত্তগী দাইলোগকা চান্নদে। ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নবা হেনগৎলক্তুনা নাকল অনীমক্তা মীশি মীনা কয়া থোক্লিঙৈ চৈরক্তা ফোরেন মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদা ইন্দিয়ানা অতম্ননা সিজফায়র থুগাইরে হায়রদুনা মদুবু প্রোটেষ্ট তৌনবগীদমক্তা পাকিস্থানগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ইন্দিয়ন এনভোই কৌখৎখি।

পাকিস্থাননা হায়রি মদুদি হন্দক্তা ইন্দিয়ন ফোর্সশিংনা য়ু এনগী ভেহিকল অমদা তার্গেট তৌখি অমসুং তোঙান তোঙানবা লোনা য়াদবা থৌওং কয়া চথদুনা বোর্দর পরিংদা মীচমশিং শিহনখি অমসুং মখোয়গী লন-থুমশিং অমাং অতা থোকহনখি।

ইন্টর সার্ভিসেস পব্লিক রিলেসন্স (আই এস পি আর) না ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, কাইহৌরুবা তৌদনা ইন্দিয়ন গ্রুপশিংনা লাইন ওফ কন্ট্রোলগী টাটা পানি অমসুং জনদ্রোট সেক্টরশিংদা সিজফায়র থুগাইদুনা মীচমশিংদা মোর্টার অমসুং অচৌবা খুৎলাই কয়া কাপশিল্লকখি। টাটা পানি অমসুং জানদ্রোটকী মফম খরদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মশাগী চহী ৫০ শুরবী নুপী অমা অমসুং চহী ৪ গী অঙাং অমা য়াওনা অতৈ মীচম কয়া অশোক অপন নংখি হায়রি। পাকিস্থাননা হায়রিবদি লৈবাক অসিগী অর্মী চীফ জেনরেল কমর জাভেদ বাজৱানা এল ও সীদা লৈরিবা ফ্রন্টলাইন গ্রুপশিং য়েংশিনবা চৎত্রিঙৈগী মাংওইননা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী সেল কয়া কাপশিল্লকখি হায়রি।

অসিগুম্বা ইন্টরনেস্নেল লো থুগাইদুনা চথরিবা ফৎত্রবা থৌওংশিং অসিনা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংদা ইন্দিয়ানা তত্তনা উংখৎনবা ফীভম লাকহন্নবা হোৎনৈ হায়বসি উৎলি। ইন্দিয়াগী অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা লমদম অসিগী মরা তপ্পা ফীভম অমসুং সিক্যুরিটিদা অকিবা পী হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা ষ্টেটমেন্ট অদুদা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২০ খক্তদা ইন্দিয়ানা সিজফায়র য়ামদ্রবদা ৩,০০০ লক থুগাইদুনা য়ামদ্রবদা মীচম ২৮ শিহনখি অমসুং অতৈ ২৫০ শোকখি হায়না পাকিস্থাননা ক্লেম তৌরি। তৌইগুম্বসুং ইস্লামাবাদগী ক্লেম অসি ন্যু দেল্লিনা রিজেক্ট তৌখ্রে।

# ইজরেলগী পার্লিয়ামেন্ট মুখৎখ্রে, চহী অনীগী মনুংদা মরিশুবা মীখল পাঙথোক্লগনি



জেরুসালেম, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
ইজরেলগী পার্লিয়ামেন্ট মুথৎখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা মরিরকশুবা ওইনা মীখল পাঙথোক্লগনি।

য়ানদবা ৱাফম কয়া লৈবদগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা লুচিংবা কোলিসন গভর্ণমেন্ট কায়খিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা চহী অনীগী মনুংদা মরিরকশুবা ওইনা মীখল পাঙথোকপগী ফীভম অসি লাকখিবনি। শুপ্নগী থা তরেৎকী মমাংদা শেমখিবা কোলিসন গভর্ণমেন্ট মনুংদা য়ানদবা অমদি মুক্নবগী ফীভম কয়া লৈরকখি। অহিং নোংয়াইগী মতমদা চহীগী বজেট এপ্রুভ তৌনবগী মতম হৌখিবগা লোয়নননা ইজরেলগী পালিয়ামেন্ট ‘নেসেট’ মথন্তা মুখৎচখি। চহী অনীগী মনুংদা মরিরকশুবা ওইগদৌরিবা মীখল কুমজা ২০২১ গী মার্চকী অথেংবা শরুক্তা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নেটনয়াহু অমসুং দিফেন্স মিনিষ্টর বেন্নি গান্টজনা লুচিংবা কোলিসন গভর্ণমেন্টনা বজেটকী ক্রাইসিস অদুগা লোয়নননা অতৈ ইশ্যু কয়া থেংনবা ঙমখিদে। প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহু মশামক হৌনবী মতুং ইন্না করপসনগী মরাল অহুম শীদুনা লৈরিবনি।

কোলিসনগী এগ্রিমেন্ট মতুং ইন্না, নেটনয়াহুনা কুমজা ২০২১ গী নবেম্বরদা গান্টজদা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম শিন্নগদবনি। নেটনয়াহুনা ৱায়েল চথরিঙৈ মনুংদা মখা তানা পৱার পায়বা পান্দ্বদগী নহাক্না ৱাশক ঙাক্লক্লোই হায়বগী গভর্ণমেন্ট শেম্না হেক হৌবদগী থাজনখিবা ৱাফমনি। মহাক্না গান্টজ দা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম শিন্নদনবা হোৎনবদা মায় পাক্লবসু অনৌবা মীখল অমা পাঙথোকপা মতমদা মহাক মায় পাক্কনি নত্রগা পাক্লোই হায়বসি লেপ্পা ঙম্বা ৱাফম অমাওইদ্রি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা নেটনয়াহুগী ব্লোক মনুংদগী ওপোনেন্ট অনী থোক্লক্তুনা মীখল মতুংদা মহাক্না গভর্ণমেন্ট শেম্বগী ৱাফম লুশিনহনখি। ভোটরশিংদা য়েংবদদি মান্নবা য়াই, তৌইগুম্বসুং কোলিসন গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বা অমসুং মদুবু কায়হন্দনবা থম্বা হায়বসিনা তোঙানবা ৱাফম অমনি।

নেটনয়াহুবু শীংনরিবসি হন্দক্তি মশামক্কী পার্টি মনুংদগী থোক্লক্লি। পার্টি মনুংগী মুক্নবা অসিনা মহাক্কী খোঙফম শোন্থহল্লে হায়না হিব্রু য়ুনিভর্সিটি ওফ জেরুসালেমগী পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ডা. য়োনাতন ফ্রীমেননা ফোঙদোকখি। হৌজিক ইরানগী ন্যুক্লিয়র দিল নত্রগা পালষ্টিনিয়নশিংগা ৱারী শান্নবগুম্বা ইশ্যুশিং অসি মরু ওইরক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## য়ু কেদা কোভিদনা নোংমদা মী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখ্রে



লন্দন, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
বৃটেনদা নোভেল কোরোনা ভাইরসকী অনীশুবা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অমা থেংনখ্রবা মতুংদা হৌখিবা এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা নোংমগী মনুংদা কোভিদ-১৯ না মী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা থেংনখ্রে। ওফিসল লিদরশিংগী মতুং ইন্না, য়ু কেদা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোভিদকী মীশিং ৭৪৪ রিপোর্ট তৌখি। মদুনা লৈবাক অসিদা পেন্দমিক অসিদা শিখিবা মী মশীং ৬৯,১৫৭ য়ৌহনখ্রে।

অতোপ্পা মীওই ৩৯,২৩৯ সু টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরমখি। মশীং অসি লৈবাক অসিদা পেন্দমিক হৌখিবদগী নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী ৱাংবা কোভিদ কেস মশীংনি। মসি থারগা লৈবাক অসিগী অপূনবা কেস মশীং ২,১৫৫,৯৯৬ শুরে হায়রি।

হেল্থ মিনিষ্টর মাট হেনকোকনা ইংলেন্দগী নোংপোক অমসুং খা নোংপোক থংবা লমদমশিংগী অহানবা মফম কয়া খ্বাইদগী ৱাংবা থাক ওইরিবা মরোল মরিগী অথিংবশিং চৎনরগনি হায়না লাউথোকখিবগা ঈরোয়নননা মীশি মীনাগী মশীং অসি থাদোরকখিবনি।

অনৌবা হেন্না কনবা থৌরাংশিংগী মখাদা মরোল মরি চৎনগদবা মফমশিংদা লৈবা মীওইশিং য়ুমদগী হেন্দোক্লোইদবনি। মীয়াম য়ারবদি য়ুমদা লৈনা লৈনা থবক শুনবসু ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

হেল্থ সেক্রেটরি হেনকোকনা লাউথোকখিবদা অনীশুবা অনৌবা ভেরিএন্ট অদু সাউথ আফ্রিকাদগী লাকপা মীওইশিংগা মরী লৈনৈ অমসুং হৌজিক ফাওবদা কেস অনী থেংনরে হায়খি।

অনৌবা ভেরিয়ন্ট অসি লুনা লৌনিঙাই ওই। মসি অতৈদগী হেন্না শন্দোকপা ঙম্বগা লোয়নননা য়ু কেদা থেংনখিবা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অদুদগী হেন্না ম্যুটেসন তৌই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। দিসেম্বর ১৯ দা প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সননা শন্দোকপগী চাং চাদা ৭০ রোম ওইবা অনৌবা কোভিদ-১৯ ম্যুটেন্ট অমা থেংনরে হায়না লাউথোকখিবা লৈখ্রবনি।

য়ু কেদা থেংনরিবা অনৌবা ষ্ট্রেন অদুনা মরম ওইদুনা জোন্সননা লন্দন অমসুং ইংলেন্দগী অতৈ শরুকশিংদা মরোল মরিগী অথিংবশিং চৎনহনখি।

## য়ু এসকী অনৌবা অথিংবশিংগী পাউখুম পীনবা থৌরাং তৌরিঃ রসিয়া

মোস্কো, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
হন্দক্তা য়ু এসনা অথিংবা কয়া থমখিবগী চানবা পাউখুম পীনবা মোস্কোনা থৌরাং তৌরি হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গি লাভরোভনা ফোঙদোকখ্রে।

অথিংবশিং অদু ৱাশিংটননা লেংমান্নবশিংগী মায়কৈদগী শীংনবগী চাং নেমহন্নবা লৌখৎপা ষ্ট্রেটেজিক খোঙথাং অমনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা হায়খি মদুদি মোস্কোনা পীগদৌরিবা পাউখুম অদু ৱাশিংটননা লৌখৎখিবা খোঙথাংগা মান্নবদা নত্তনা রসিয়া অমসুং য়ু এস মরীগী শক্তম খুদিংমক্কামরী লৈনবা খোঙথাংশিংসু লৌখৎকনি।

ৱাশিংটন অসি থাজনিঙাই ওইদবা বিজিনেস পার্টনর অমনি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মতম শাংনা ঐখোয়দা তাথিবগী পোলিসি অমা চথদুনালাক্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ফজ দবা থৌওংশিংগা লোয়নননা ইন্টরনেসনল মার্কেটশিংদা লম্বা ওইরিবশিংদা খুদোংচাহন্দনবা হোৎনদুনা লাক্লি। মখোয়গী থৌওং অসি ৱর্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসনগী কাংলোনশিং খোঙ্গাওনৈ হায়না লাভরোভনা মখা তাখি।

## ইজরেলগা মুক্নবগী ফীভম ইন্টরনেসনল ফ্রেমৱার্ক মনুংদা লৈখাই তারগনি

রমোলাহ, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
ইজরেলগা মুক্নবগী ফীভম অসি ইন্টরনেস্নেল ফ্রেমৱার্ক অমগী মনুংদা অমসুং ইন্টরনেসনল লোদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈখাই তাগদবনি হায়না পিলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর মোহম্মদ ইসতায়েনা ফোঙদোকখ্রে।

রামালাদা মিদল ইষ্ট পিছ প্রোসেসকী য়ু এন স্পসল কোওর্দিনেটর নিকোলে ম্লাদেনোভকা উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা ইসতায়েননা ৱাফম অসিফোঙদোকখিবনি।

পিলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টরনা মখাতানা হায়খি মদুদি, মতম শাংনা লৈরক্লবা ইজরেলগা মুক্নবগী ফীভম অসিবু লৈখায় তাবগী থবক মিদল ইষ্টকী ক্বার্টেট মনুংদা পাঙথোক্কদবনি।

মিদল ইষ্টকী মুক্নবগী ফীভম অদু লৈখায় তাথোকপা য়ানবগী পান্দমদা শেল্লিবা ক্বার্টেট অদুদা য়াওরিবশিংদি য়ু এস, য়ু এন, রশিয়া অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননি।

ইজরেল অমসুং পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা ৱারী শান্নবগী থবক খুদোং চাহন্নবগীদমক্তা ক্বার্টেট অসি কুমজা ২০০২ দা শেমখিবনি।

ইসতায়েনা হায়খি, য়ু এননা ইজরেলগা মুক্নবগী ফীভমদা মরী লৈনবা ইন্টরনেসনল রিজোল্যুসনশিং অমসুং ইন্টরনেস্নেল লো ইমপ্লিমেন্ট তৌহনগনি। পেলেষ্টাইনদা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবা পেলেষ্টিনিয়নশিংদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হৌখিবা চহী কয়াদা হোৎনরকখিবশিংগীদমক্তা ইসতায়েনা স্পেসল কোওর্দিনেটরবু থাগৎখি।

# চাইনানা য়ু কেগী ফ্লাইটশিং মতম কক্তনা থিংলগনি



বৈজিং, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
কোরোনা ভাইরসকী অনৌবা ষ্ট্রেইনদগী চেকশিনবা ওইনা চাইনানা য়ুনাইটেদ কিংদমদা পাইগবা অমসুং লৈবাক অসিদা লাক্কদবা দাইরেক্ট ফ্লাইটশিং মতম কক্তনা থিংলগনি হায়না চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেনবিননা শগোলশেন নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

কুপ্না খন্নরবা তুংদা চাইনানা অতৈ লৈবাক কয়াগা মান্ননা য়ু কেদা পাইবা অমদি লৈঙাক অদুদগী পাইরক্কদবা ফ্লাইটশিং থিংনবা ৱারেপ লৌরে হায়না ৱাংনা নুংতিগী পাঙথোকপা ব্রীফিং অমদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি চাইনানা মরী লৈনবা খোঙথাংশিং মোনিটর তৌগনি অমসুং লৈরিবা ফীভমগী মতুং ইন্না কন্ট্রোলগী থৌরাংশিংদা অহোংবা লাকহনগনি। বৃটেনদা য়াম্না লৌনগনবা অনৌবা ষ্টেইন অমা থোক্লকখিবদগী মালেমগী লৈবাকশিংনা লৈবাক অসিগা চথোক চৎশিনগী মরীশিং থদৎখি।

ভেরিফ্লাইটনা পীবা এভিয়েসন দেটাগী মতুং ইন্না চাইনা মপুং লম অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী মরক্তা হৌজিক চয়োলগী ওইবা ফ্লাইট নিপাল লৈ। নিপালদুগী মনুংদা এয়র চাইনা, চাইনা ইষ্টর্ন এয়রলাইন্স অমসুং চাইনা সাউর্দন এয়রলাইন্সকী অমমম য়াওরি। বৃটিশ এয়রৱেজনা চয়োল অমগী মনুংদা লন্দনদগী সংহাইদা পাইবা ফ্লাইট অনী ওপরেট তৌরি।

চৈরকসিদা চাইনাগী কেপিটেল সিটি বৈজিংগী লিয়াঞ্জু গার্দেন কম্যুনিটিগী নুপা অমা নোভেল কোরোনা ভাইরস পক্লম্না থেংনবদগী সিটিগী ওথোরিটিশিংনা কম্যুনিটি অসিগী মীওই খুদিংমক ন্যুক্লিক এসিদ টেষ্ট তৌহনখ্রে।

সনয়ি দিষ্ট্রিক্টকী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা ইনদেক্সন অমা থেংনবদগী কম্যুনিটি অসি কুপ্না য়েংশিন্দুনা থমখি অমসুং কম্যুনিটি অসিগী মীওই ২,০০০ রোম ন্যুক্লিক এসিদ টেষ্ট তৌহনখি। হৌজিক রিজল্টশিং ঙাইরি।

লাইওং য়াওদবা কেস লৈরিবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অদুগী মীওইশিং য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা খঙহনবগা লোয়নননা বিল্ডিং অদুগী অকোয়বা শরুকশিং মপুং ফানা দিসইনফেক্টেন্ট চাইথোকখি।

বৈজিংগী সুনয়ি দিষ্ট্রিকটতা লায়ওং উত্তবা কেস অমা থেংনরে হায়না জেজিয়াং প্রোভিন্সকী নিংবো সিটিদা রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকখিবনি। ওথোরিটিশিংনা ইনফেক্সন অদু করিদগী লাকখিবনো হায়বা খঙনবা হোৎনখি।

বৈজিংদা দিসেম্বর ১৮ দা কনফার্ম কেস অনী রিপোর্ট তৌখি। অনীমক মপান্দগী লাকখিবা কনফার্ম কেস অমগা মরী লৈনখি অমসুং দিসেম্বর ১৯ দগী ২২ গী মরক্তা লোকেল ট্রান্সমিসনগী কেস অমত্তা রিপোর্ট তৌখিদে হায়রি।

# রুলিং পার্টিগী অনৌবা টর্ম লাকপদগী ম্যান্মারগী পিছ প্রোসেস কুমজা ২০২১ দা হেন্না খুমাং চাওশিল্লগনি ঃএক্সপার্টশিং



য়াঙ্গোন, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
চহী অসিগী নবেম্বরদা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সনদা রুলিং নেস্নেল লিগ ফোর দিমোক্রেসি (এন এল দি) পার্টিনা লৈবাক ঙাকপগী অনৌবা মেন্দেট অমা ফংখ্রবা মতুং কুমজা ২০২১ দা ম্যান্মারগী পিছ প্রোসেস খুমাং চাওশিল্লকপা য়াই হায়না ওফিসলশিং অমসুং এক্সপার্টশিংনা হায়রি।

ম্যান্মারগী জেনরেল ইলেক্সন নবেম্বর ৮ দা পাঙথোকখি অমসুং রুলিং এন এল দিনা মথংগী চহী মঙাগী টর্ম পায়বদা মথৌ তাবা পার্লিয়ামেন্টরি সিট মশীংদগী হেন্না ফংখি।

পার্টি কয়ানা শরুক য়াখিবা চহী অসিগী জেনরেল ইলেক্সন অদু কন্সটিট্যুএন্সিগী মতুং ইন্না পাঙথোকপা অসিগুম্বা মখলগী অহুল্লকশুবা ইলেক্সননি। মথংগী পার্লিয়ামেন্টরি সেসন কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারীগী অহানবা চয়োলদা হৌগনি।

এন এল দিগী অনৌবা টর্ম অমা লাকপগা লোয়নননা গভর্ণমেন্ট মিলিটরি, খুৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা হেন্না মায় পাকপা পোলিটিকেল দাইলোগশিং চথদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা লৈরিবা লৈবাক অসিগী পিছ প্রোসেসতা খুমাং চাওশিনহল্লগনি হায়না থজনরি।

মীখল মতুংদা মিলিটরিনা পিছ প্রোসেসতা খুদোং চাহন্নবগীদমক্তা নেস্নেল সিজফায়র এগ্রীমেন্ট (এন সী এ) গী সিগনেটরিশিং অমসুং খুৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংগা মখা তানা ৱারী শান্নবা পিছ টোক কম্মিটি শেমখি। কম্মিটি অসিনা ম্যান্মারদা তুং কোইনা মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী পান্দমগা লোয়নননা নন সিগনেটরিশিংগসু ৱারী শান্নবগী থবক কনখৎলগনি হায়রি।

চৈরকসিদা এন এল দিনা থা অসিদা ইথনিক পোলিটিকেল পার্টিশিংগা ৱারী শান্ননবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। ৱাফম অসি এন এল দিগী সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ কম্মিটি মেম্বর ম্যো ন্যুন্টনা ফোঙদোকখিবনি।

রুলিং পার্টিনা নবেম্বর ১২ দা ইথনিক পোলিটিকেল পার্টি ৪৮ দা ওপন লেটর অমা থাদুনা পার্টিশিং অসিগা মান্নবা পন্দমশিং লৈবনা ইথনিক গ্রুপশিংগী দিমান্দশিং মরু ওইবা ওইদবগী মতুং ইন্না অহান অকোনশিং খায়রগনি হায়না থাজবা পীখি।

দেমোক্রেটিক ফেদরেল য়ুনিয়ন অমা লিংনবা মখা তানা হোৎনখিগনি হায়না পল্লদুনা পার্টি অসিনা ইথনিক পার্টিশিংদসু মায়কৈ অশোমদা খুৎশম্ননা হোৎনরক্লবা তকশিনখি। চহী অসিগী ওগষ্টতা পিছ মেকরশিংনা য়ুনিয়ন একোর্দ থ্রি খুৎয়েক পীনখি। মদুদা এন সী এগী ৱাফমশিং অমসুং দেমোক্রেটিক ফেদরেল য়ুনিয়ন অমা শেম্নবগী প্রিন্সিপল গাইদলাইনশিং য়াওখি।

# চাইনাগী এনভোইনা নেপালগী রুলিং পার্টিগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নখ্রে



কাথমান্দু, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী) :
নেপালগী লৈঙাক পায়রিবা নেপাল কম্যুনিষ্ট পার্টি (এন সী পি) ফেক্সন অনী তারকপা য়াবগী ফীভম লাকপগা লোয়নননা লৈবাক অসিদা লৈবা চাইনাগী অম্বেসেদর হৌ য়ানকিনা এন সী পিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নখ্রে হায়রি।

কুমজা ২০১৮ দা নেপালগী কম্যুনিষ্ট পার্টি অনী পুনশিন্নবা য়ানবা চাইনানা ইনর্জি অমসুং রিসোর্ছ মরাং কায়না থাদখি হায়না থাজনৈ। তৌইগুম্বসুং প্রাইম মিনিষ্টর কেপি শর্ম্মা ওলিনা নোংমাইজিং নুমিত্তা হাউস ওফ রিপ্রাজেন্টেটিভস মুথৎখিবা মতুংদা রুলিং পার্টি মনুংদা য়ান্নদবা লৈরিবদু হেন্না ময়েক শেংলকখি। এম্বেসেদর হৌনা শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্তা এন সী পিগী প্রসিদেনট পুসপা কলম দাহলাগা উন্নখি অমসুং লৈবাক অনীগী ওইবা ইশ্যু কয়া খন্ন-নৈনখি হায়না রুলিং পার্টিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেন এফিয়র্সকী দেপ্যুটি চীফ বিষ্ণু রাজলনা ফোঙদোকখি।

সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না প্রচান্দ অমসুং হৌনা নেপালগী খ্বাইদগী নৌবা পোলিটিকেলগী খোঙথাংশিং এন সী পি মচেৎ তাবনচিংবা ৱাফম কয়া খন্নখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চাইনাগী এনভোই অসিনা প্রসিদেন্ট বিধ্যা দেবী ভান্দরিগা উনখি অমসুং হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভ মুথৎখিবদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। পুনশিনখিবা চহী অনীদা ঙাইরিঙৈদা অমুক মচেৎ তারকপা হায়বসি নুংনাংনিঙাইনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মমাংদা উৎখিবা মতৌগুম্না চাইনানা রুলিং এন সী পি মনুংদা নাকপাক তানবা অমসুং নেপালগী খ্বাইদগী নৌবা পোলিটিকেল খোঙথাং অদুদা নুংঙাইতে হায়না পোলিটিকেল ওবজার্ভরশিংনা ফোঙদোক্লখি।

মমাংদা চহী অসিগী মেদা চাইনিজ এনভোই অসিনা এন সী পিগী অতৈ মকোক থোংবা লুচিংবশিং উন্নখিবনি। মতম অদুদসু পার্টি অসি কাইরকপা য়াবগী ফীভমদা লৈখি। মহাক্না প্রাইম মিনিষ্টর ওলি অমসুং রুলিং পার্টিগী অতৈ লিদরশিংগসু উননবা থৌরাং তৌরি হায়না সোর্ছশিংনা ফোঙদোকখি।